**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) উখ্রুল জিলাদা খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা মীওই অহুম শিরে।

২) বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবীদা থা অসিগী ৭ তা সি.আর.পি.এফনা নোংমৈ কাপ্পদা লৈখিদ্রবা মীওই অহুমগী অরোইবা মথৌ মঙম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

৩) রাজ্য সরকারগী ওফিসশিং থাংজ নুমিৎ ছুতি ওইররোই হায়না লাউথোকখ্রে।

৪) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি মীফমনা মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম শেমগৎ শাগৎনবা খন্নখ্রে।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়- লৌউ শিংউ মন্ত্রালয়গা লৈবাক অসিগী রাজ্য খুদিংমক্তা নকবা মরী থমদুনা পুন্না থবক পায়খৎমিন্নবগীদমক শেম শাদুনা লৈরি।

------

কিল্ড (এল)ঃ উখ্রুল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা সিনাকৈখেল অমসুং মুল্লামগী মরক্তা ঙসি কাংলুপ অনিগী মরক্তা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক থোকখ্রে। থৌদোক অদুদা মীওই অহুম শিরে।

পুলিসকী পাউনা হায়- নোংমৈ কাপবগী থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৫ মখায় অদুৱাইদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুগী মতুংদা সেক্যুরিতিনা মীওই অহুমগী অশিবা হকচাং ফংখি। মখোয়গী মনুংদা অনিগী হকচাং কাংপোকপীদা পোষ্টমোর্টেমগীদমক্তা পুখ্রে। অহুমসুবা অদুনা কামজোংলোমদা পুখ্রে হায়রি।

হৌজিক মফম অদুদা সেক্যুরিতিগী অহেনবা ফোর্স থাজিনদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

বোদি (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবীদা থা অসিগী ৭ তা পীক্লিবা অঙাং অনি বোমনা পানদুনা লৈখিদ্রবা মতুং মদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা চংশিল্লকপা খোঙজং সি.আর.পি.এফনা নোংমৈ কাপ্লদা লৈখিদ্রবা মীওই অহুমগী অরোইবা মথৌ মঙম ফৌগাকচাউ ইখায় মমাং লমতাবুং লম্পাক্তা ঙসি পাঙথোকখ্রে। হকচাংশিং অদু ঙসি ইম্ফালগী রিমস মোর্গতগী লৌরগা নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ দা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবনি।

কার্ফিয়ু (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, ককচিং, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি। মসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা হুকুম থোকখ্রে।

ছুতি (এল)ঃ রাজ্য সরকারগী ওফিসশিং থাংজ নুমিৎ ছুতি ওইরন্বা অদু মখা তানা ওইররোই হায়না লাউথোকখ্রে। রাজ্য সরকারগী জোইন্ট সেক্রেতরি থোকচোম বেদাজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- হান্নদি মণিপুর সরকারগী লোইশঙশিং থাংজ নুমিৎ খুদিংগী ছুতি ওইরম্বনি। অদুবু মশাগী ছুতি নুমিৎ লৈজবা থাংজ নত্তনা অতৈ থাংজ নুমিৎশিংদি ছুতি ওইররোই। মসি সরকারগী ওফিস, ওতোনোমস ইন্সটিট্যুসন, কোর্পোরেসন, সোসাইতিশিং, বোর্দ অমসুং পাব্লিক সেক্তর অন্দর টেক্কিশিংদসু চৎনগনি।

এজেন্সি (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি কৃষি সিঞ্চায়ি য়োজনা-ৱাটর সেদ দিভলপমেন্ট কম্পোনেন্ট (পি.এম.কে.এস.ৱাই.দব্লিউ.দি.সি) টু পোইন্ট-ও গী মখাদা ৱাটর সেদ মেনেজমেন্ট মণিপুরগী ষ্টেট লেবেল নোদেল এজেন্সিনা নেসনেল পঞ্চায়াতি রাজ নুমিৎ পালন পাঙথোকখ্রে। ওল্ড সেক্রেতরিয়েটগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা নোদেল এজেন্সিগী চীফ একজিক্যুতিভ ওফিসার ডাঃ রাজকুমারি সুনিতা দেবীনা হায়- খুঙ্গংগী পুন্সি চাওখৎহনবা অমসুং গ্রাসরুট দেমোক্রেসি মপাঙ্গল কনখৎহনবদা পঞ্চায়াতি রাজ ইন্সটিট্যুসনশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। থৌরম অদুদা পি.এম.কে.এস.ৱাই.দব্লিউ.দি.সি টু পোইন্ট-ও মায় পাকা চৎনহন্নবগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট ওফিসিয়েল অমসুং ৱাটর সেদ কমিতি মেম্বরশিংগী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোকখি।

ম্যুজিয়ম (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম শেমগৎ শাগৎপগী থবক মতমগা চুনবা মওংদা পায়খৎনবগীদমক মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি খুরাইজম লোকেন, রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল অমদি এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি অনুরাগ ভাজপাই য়াওনা ইম্ফালগী সেক্রেতরিয়েটতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মগী থবক থৌরমশিং ফগৎহনবা অমসুং নৌনা শেমগৎনবগী ৱাফম কয়া খন্নখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতি য়োকখৎতুনা থম্বা অমদি অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবা হায়বসি মহাক্কী সরকারগী পান্দমনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখি।

মীফম (এল)ঃ অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী ওইবা মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন-এসোসিয়েসনগী নুমিৎ নিনিগী ওইবা মীফম ঙসি অসামগী লখিপুরদা লৈবা লৈমারেম্বী ইন্দু প্রভা মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা লোইশিনখ্রে। মীফম অসি ওল

মণিপুর ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ন, এস.এম.এস.য়ু অমসুং এ.টি.এম.এস.এনা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি। মীফম অসিদা মণিপুর, অসাম, মেঘালয় অমসুং ত্রিপুরাদগী মহৈরোই ১০০ হেনবনা শরুক য়াখি। নুমিৎ নিনি চঙখিবা মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিং অসিগী মহৈরোইগী য়ুনিয়নশিংনা পায়খৎখিবা থবক থৌরম অমসুং থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা খন্নখি। মীফম অসিদা ভারতকী অৱাং নোংপোক রাজ্য খুদিংমক্তা মণিপুর ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ন য়াওবা য়ুনাইতেদ নোর্থ ইষ্ট মণিপুরী ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ন (য়ুনেমসু) হায়না লুপ অমসু শেমখি।

তমেংলোং (এল)ঃ নহাশিংগা লৈঙাক্কী থবক থৌরমশিংদা নিংথিনা শমহন্নবগী পান্দমদা মোদেল য়্বা গ্রাম সভা ঙসি তমেংলোংদা মায় পাকা পাঙথোকখ্রে। মাই ভারত তমেংলোংনা তমেংলোং য়ুথ ওর্গনাইজেসনগা পুন্না খুৎশমরগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অদুগী নহা অমসুং লুচিংবা পুন্না মীওই ৭০ না শরুক য়াখি। সভা অদুদা ওফিসিয়েলশিংনা নহাশিংদা সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা নিংথিনা খঙহনখি। ৱারেপ লৌবদা নহাশিং শুকশোই শোইদনা য়াওহনবগী তঙাইফদবশিং ওফিসিয়েলশিংগী মাইকৈদগী ফোংদোকখি। মসিনা লমদম লমদমদা থোক্লকপা সমস্যশিং লায়না লোইশিনবা ঙমগনি অমসুং চাওখৎ থৌরাং পায়খৎপদা মঙম শান্না পায়খৎপা ঙমগনি হায়নসু ওফিসিয়েলশিংনা ফোংদোকখি।

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৩ শুবা ইপিসোদ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি

ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

এগ্রি ঃ কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ্ চৌহান অমসুং উত্তর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যানাথনা শরুক য়াদুনা নোর্দন এগ্রিকলচরেল কনফরেন্স ঙসি লখনৌদা হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়- লৌউ শিংউ মন্ত্রালয়গা লৈবাক অসিগী রাজ্য খুদিংমক্তা নকবা মরী থমদুনা পুন্না থবক পায়খৎমিন্ননবগীদমক শেম শাদুনা লৈরি। মহাকা হায়- রাজ্য খুদিংমক্কী অমমমতা ওইনা লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা রোদ মেপশিং শেমদোকবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি অমসুং কনফরেন্স অসিনা মসি শেমবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। শ্রী চৌহান্না হায়- ফারমর আই.দিনা লৌমীশিংগী শক্তাক চে ওইবতা নত্তনা মসিগী মতেংনা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবা কয়া ফংহনগনি। লেবোরেতরিজ অমসুং ফার্মলেন্দশিংগী মরক্তা লৈরিবা অচৌবা খল অসি মেনশিন্নবগীদমক ভিক্সিত ভারত কৃষি অভিয়ান হোদোকখিবনি। কেম্পেন অসিগী মখাদা সরকারনা খুঙ্গং লিশিং ৬০ হেনবদা মতম মতমগী ওইবা থিজিন হুমজিনবা, অনৌবা টেকোলোজি অমসুং প্রক্তিকেল সোলুসন কয়া লৌমীশিংদা য়ৌহনবা ঙমলে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যানাথনা হায়- লৈবাক অসিদা লৌউ শিংউগী পথাপ কয়াগা চুনবা অঙ্গং অশাগী ফিভম খেন্নবা মফম কয়ামরুম লৈ। মফমশিং অসিদা সেমিনার অমসুং ৱার্কসোপ কয়া পাঙথোকপনা লৈবাক অসিগী লৌউ শিংউগী ফিভমদা চাউনা কান্নবা পীগনি।

মেরিটাইম ঃ কেন্দ্রগী পোর্টস, সিপ্পিং অমসুং ৱাটর ৱেজ মন্ত্রি সরবানন্দ সোনোৱালনা হায়রি- লৈবাক অসিনা ভিক্সিত ভারতকী ৱাখল্লোনদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লিবা অসিগা ইরোয়ননা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা মেরি টাইম সেক্তরনা মরুওইবা থৌদাং লৌগনি।

নিউ দিল্লিগী দিল্লি স্কুল ওফ ইকোনোমিক্সতা ঙসি পাঙথোকপা মেরি টাইম ইজ্‌কেসন অমসুং এম.ও.য়ু একচেঞ্জগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- সমুদ্র খোংবান কিলোমিতর লিশিং ১১ হেন্না শাংনা লৈবা অমসুং নেসনেল ৱাটর ৱেজ ১১১ লৈবা ভারতকুম্বা লৈবাক অমদা মেরি টাইম সেক্তরগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা হায়বসি তৌঙাইফদবা থৌদাংনি। হৌখিবা চহি ১২ অসিদা লৈবাক অসিগী ওইনা মেরি টাইম সেক্তরগী শিন্মী মশিং অসি হান্না লৈরম্বা চাংদগী শরুক অহুমগী চাংদা হেনগৎলে। মসিনা মালেমগী ওইবা মেরি টাইম ৱার্কফোর্সকী অপুনবা শরুক্কী চাদা ১২ ওইরি অমসুং ইং ২০৩০ ফাওবদা চাদা ৩০ ওইহন্নবা পান্দম থল্লি। থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিতি ওফ দিল্লি অমসুং রিছার্স এন্দ ইনফোর্মেসন সিষ্টেম ফোর দিভলপ্পিং কন্ত্রিজ ফোর মেরি টাইম কেপাসিতি বিল্ডিং এন্দ একাদমিক একচেঞ্জেস অদুগা রিছার্স এন্দ ইনফোর্মেসন সিষ্টেম অমসুং দিল্লি স্কুল ওফ ইকোনোমিক্সকী মরক্তা য়ান্না ৱারোল অনিসু খুৎশিন্নখি।

কেলেন্দর ঃ রুরেল দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়না শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী ওইনা রাজ্য থাক্কী সারস আজিবিকা মেলাগী কেলেন্দর শেম শাবা লোইখ্রে। মেলা অসি লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী পুন্সি মহিং য়োকখৎপা, ৱিমেন ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ অমসুং নাৎকী ওইবা পোত্থোকশিং য়োকখৎনবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদবনি। মন্ত্রালয়না হায়- হৌজিক ফাওবগী লৈরিবা সেদ্যুলগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী কোনুংদা মরুওইবা সারসকী থৌরম অহুম উৎকনি। মেলা অসি গুরুগ্রামদা ওক্তোবর ২২ দগী হৌদুনা নবেম্বর ৬ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মদুগী তুংদা নবেম্বর ২১ দগী দিসেম্বর ৮ ফাওবা নিউ দিল্লিগী সুন্দর নরসরিদা সারস ফুড ফেষ্টিভেল ২০২৬ পাঙথোক্কনি। মন্ত্রালয়না মখা তানা হায়- সারস আজিবিকা মেলা ২০২৭ নুমিৎ ২৮ নি চুপা নিউ দিল্লিগী মেজর ধ্যানচান্দ নেসনেল ষ্টেদিয়মদা মথং চহিগী ফেব্রুৱারি ১ দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি। অসিগুম্বা মেলা অসিনা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা সেল্ফ হেল্প গ্রুপকী মেম্বরশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবগী খুদোংচাবা পীবতা নত্তনা খুঙ্গংগী নুপীশিংগী শেন্থোক লম্বী হেনগৎহনবা ঙম্লগনি।

বেঙ্গল ঃ   নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভাগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্নবগী থবকসু খম থেংনা কল্লে। ভোট থা অসিগী ২৯ দা থাদনগনি।

বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নোংচুপ বেঙ্গলগী দম-দমদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনশিংদা ৱা ঙাংখি। তুংদা, বরুলপুরদা পাঙথোক্কদবা রেল্লি অমদসু শরুক য়াখি।

বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহসু নোংচুপ বেঙ্গোলগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ভোট খোমখি।

ত্রিনাপুল কংগ্রেস লুচিংবী অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী মুখ্য মন্ত্রি মমতা বেনর্জিনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীখলগী রেল্লি অমসুং মীতিংশিংনা শরুক য়াখি।

পঞ্চায়ট (এল) ঃ কেন্দ্রগী পঞ্চায়াতি রাজ রাজ্য মন্ত্রি এস.পি. সিংহ ভাগেলনা হায়রি- খুঙ্গংশিং, লৌমী অমসুং পঞ্চায়টকী ফিভম ফগৎলবা মতমদা চাওখৎলবা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা ভারত অমা ওইবা ঙমগনি।

ৱাফম অসি লৌউ শিংউ মন্ত্রালয়না শিন্দুনা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা নেসনেল পঞ্চায়েটি রাজ হৌদোকপা নুমিৎকা মরী লৈননবা পাঙথোকপা থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- সরকারনা খুঙ্গংশিং চাওখৎহন্নবা তোঙান তোঙানবা থবক কয়ামরুম পায়খৎলি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা সরকারগী স্কিম কয়াগী কান্নবা খুঙ্গংগী মীওইশিংদা ফংহনবা ঙমলে। মশিনা হায়- সরকারগী স্কিমশিংগী কান্নবা দাইরেক্ত বেনিফিৎ ত্রান্সফরগুম্বা থৌশিল কয়ানা শেঞ্জা থুমজা য়াওদনা লৌমীশিংদা মতম চানা য়ৌহনবা ঙমলে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট ঃ  নুপীগী চহি ১৫ মখাগী অহুমসুবা এম.এন.সি.এ ৱান ডে ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী লেমহৌরিবা মেটচশিংগী নৌনা শেমদোক্লবা ফিক্সর থোক্লে।

তুরনামেন্ট অসি মখা চথরকপা ওইনা থা অসিগী ২৭ তা থাংমৈবন্দগী থাউ গাউন্দদা এস.য়ু অমসুং টি.সি.এম.দি.সি শান্নরগনি। অতোপ্পা মেটচতা কোংবা খুনৌগী সেদোক গ্রাউন্দদা এস.টি.ৱাই.সি.সি অমসুং ফোর্স থেংনরগনি।

ক্রিকেট ঃ  নুপাগী চহি ১৪ মখাগী মঙাসুবা এম.এন.সি.এ ৱান ডে ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী নৌনা শেমদোক্লবা মেটচ ফিক্সর থোক্লে। থা অসিগী ২৭ তা খাঙবোক্কী পাব্লিক গ্রাউন্দদা অক্সদোগা এস.দি.ওগা, লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা ফোর্সকা ত্রাউগা, মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা কে.সি.সিগা পি.টি.আর.সিগা, মোদেল হায়র সেকেন্দরি এন্দ ওরিয়েন্তেল কলেজ গ্রাউন্দদা সেদোগা পি.সি.সিগা অমসুং তাওথোংগী খুদৈবন্দ লম্পাক্তা থাডগা সি.সি.কেগা থেংনরগনি।

কিক বোক্সিং ঃ  রাজস্থানগী জয়পুরদা মথং থাগী ১৫ দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৱাকো ইন্দিয়া নেসনেল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়ানবগীদমক ষ্টেট ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি। ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসি থা অসিগী ২৮ দা মোইরাংখোম বজারগী সমাসখি হাইস্কুলদা অয়ুক্কী পুং ৮ দগী হৌদুনা পাঙথোক্লগনি হায়না কিক বোক্সি এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ক্রিকেট ঃ  আই.পি.এল ক্রিকেটকী মেচট অমদা ঙসি রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরগা গুজরাত টাইতান্সকা বেঙ্গলুরুগী এম. চিনাস্বামি ষ্টেদিয়মদা শান্নরি। রায়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরনা টোস ঙমদুনা গুজরাত টাইতান্সপু হান্না বেত্তিং তৌরি।

সুত্তিং ঃ  ইজিপকী কাইরোদা পাঙথোক্লিবা ইন্তরনেসনেল সুত্তিং স্পোর্টস ফেদরেসন (আই.এস.এস.এফ) জ্নিয়র ৱার্ল্ড কপতা ভারতনা সনাগী তকমান অনি য়াওনা পুন্না তকমান ৯ ফংদুনা মাংজিল থারি।

নুপীগী জ্নিয়র ফিফতি মিতর রাইফল ইভেন্টতা ভারতকী প্রাচি সনাগী তকমান ফংখি। ভারতকী নরায়ন প্রনাভনা নুপাগী জ্নিয়র টেন মিতর এয়ার রাইফল মশান্নদা শেঞ্জেংগী তকমান ফংখি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ভারতকী শিবা নরৱালনা নুপাগী টেন মিতর এয়ার পিষ্টোল ইভেন্টতা সনাগী তকমান ফংখিবনি।

------